নুমিৎ ৩০ নি চখরকপা ৱার্কশোপ লোইশিন্দুনা হিংগ্রি নাচৌবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস) : মোনালিশা আর্ট এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন, নিঙোমথোং কিটনা পন্নুং, ইম্ফাল ইষ্টনা থা অমা চখরকপা ৱার্কশোপ লোইশিনবগা লোয়ননা বি টি রোদতা লৈবা রূপ মহল ঠিয়েটর হোলদা হিংগ্রি নাচৌবা দ্রামা উৎতুনা পাঙথোকখ্রে।

30 DAYS WORKSHOP PRO
HINGRI NACHOUBA 2
CULTURAL FUNCTION & PRODUCTI
Organised by: Monalisa Art and Cultural Association

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা রঙ্গনিকেটনগী চিয়রমেন অজিৎ দাসনা হায়, ঐখোয়না হৌজিক নীংখা তম্বা হায়না লৈরিবসি অকাসতগী থাদারকপা নত্তে। অদুনা হৌজিক্কী নহাশিংনা ঙাঙবসি তাবদা য়াম্না ৱাই। অহল লমন্না চহী ৭ খুন্তাক্লবা মতুংদা নীং-খা তম্বা ফংলিবসি মতমদুগী অহল-লমন্না ঐখোয়দা পীরম্বা খুদোলনি। মতমদুদা পানখিবা নিংথৌশিং অদুনা অৱাশিং মায়থিবা পীদুনা ইরমদম ঙাক্লম্বনি। খুন্নাই অমদা ঈং-তপ্পা লৈরক্লিবসি সিন্সর ওইদবা মতিক চাদবা লুচিংবশিং থোরকপদগী ক্রিমিনেল মশিং য়াম্লকপনি।

লৈপাক অমগী খুন্নাইদা ক্রিমিনেল মশিং হেনগৎলকপা, হুরান-চিন্থি হেনগৎলকপা হায়বসি লৈপাক অদুগী নিংথৌদু মথৌনা লৈত্রে, সিন্সর ওইদ্রে তাকপনি, মসি শাস্ত্রনা হায়বনি। ইপা-ইপুশিংগী হক্ততগী লৈরক্লবা ৱাফমনি। বিষ্ণুগী ৱারীদা হায়বা লৈ, হিংশা তৌবা মশিং য়ামখৎলক্লগদি মোইবুং খোংঙুদুনা চক্র পায়য়ু, মোইবুং খোংদুনা হিংশা তৌরিবশিং ৱাখল তাও য়াদবদগী চক্রুগী মতেংনা মাংহনখি। মসিগী মতুং গদানা তেমখাই।

লানসিদি তৌদবা য়ারোই, মরমদি মসিনা ঈং-তপ্পা তংদু লৈতাবা লাক্লবগী লম্বীনি। অদুনা লান মনুংদা দ্রামা হায়বসি তৌদবা য়াদে। ঙসিদগী চহী ৪০-৪৫ কী মমাংদা কলচর, ত্রেদিসনদা লান তারকপসি ঐখোয়না তুন্নিঙৈদা খঙদবগী ৱানি। চহী ৪০ গী মমাংদা মণিপুরসি হিন্দু লাইনিং ঙাক্তনি হৌজিক্তনি খরা হোংলক্লিবসি। ঙমখৈদা লান তারক্লিবসি ঙরাংদনি। অদুবু কুকিশিং অসি ঐগী মীৎয়েংদদি খুৎলাইনি। শিংচেপ থাবা মশিং য়াম্লকপদগী কুকিসি খুৎলাই ওইদবা য়াদবনি। অদুনা পুনশিনবা য়ানবা লীলা দ্রামা য়াম্না উৎপা চংই হায়খি।

মীথুং ওইখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মাখোনমনি মোংশাবনা হায়, মণিপুরসি আর্ট এন্দ কলচরদা ইনাক খুনবা লমদমনি হায়রিবসি মাংলমচৎতা লৈরম্বা অহল-লমনশিংনা হোৎনবীরম্বা ময়ামদুনা ঙসিগী মীরোলদা হায়হনবনি। ঐখোয়গী অহল লমন কাউথোকপা শুকয়া য়াদে। দ্রামাগী মরমদা রূপ মহল ঠিয়েটর খক্তদা নৈনবদা শাংখ্রে। থকসি খাসি অমদি মসিদা শান্নরিবা দ্রামাগী ওইবদা মীওইবদা পীরিবা ইহুল অদুনি। আর্টিষ্টশিংনা করম্বা থৌদাং লৌদুনা দ্রামা শান্নরকই হায়বদু নৈনবদুনি।

হৌজিক্কী মতমদি হিদান্নবা ঙাক্তনি। মালেমগী মফমশিংদা উৎলিবা কয়াসি খংবা চংই। হৌজিক্তী কম্প্যুটরদা লাইট শান্নরবা মতমনি। মসি ঐখোয়গীদি লৈত্রগসু মালেমগী মফম কয়াদদি লৈরবনি। অদুনা মমাংদা লৈরম্বশিং অদুগা ঐখোয়গী ত্রেদিসনগা পুন্না হোৎনবা তাবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা অমদি সি এম আর্টিষ্টকী তেংবাংসু খরদি পীরে। অদুবু মসিদা স্পোর্টসতা পীরিবা মতেং অসিগুম্না আর্ট এন্দ কলচরদসু মান্নবা মীৎয়েং য়েংবীদুনা পীরগদি চাওখৎপা ঙমগনি। নৎত্রগদি অমনা ৱাংখ্রগা অমনা শিহৌবগী ফিভমদা লাক্কনি। মান্নদবা মীৎয়েং অসিনা কলচর তৌজবশিংদি মাংখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরক্কনি হায়খি।

কলচরেল ফংসন এন্দ প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিম মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গর্ভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবা থৌরমসিদা, রূপ মহল ঠিয়েটরগী সেক্রেটরি হিদংময়ুম অচৌবনা থৌরম মপু ওইখি।

অতোপ্পা কম্যুনিটিদা পীবা য়ারোই

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস) : কবুই য়েলহৌমীগী অশেংবা গাং ঙাই অসিগী শেন্থং মণিপুর লৈঙাক্লা অতোপ্পা কম্যুনিটিদা পীবা য়ারোই হায়না কবুই য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি জেনরেল অথোই কামৈ অমদি কবুই কষ্টমরি কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট কে গাংমুমৈ কবুইনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

য়েলহৌমী কবুই ফুরুপকী শেংলবা ইপা-ইপুশিংনা চহী লিশীং কয়াদগী নাৎকী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা কবুইগী গাং ঙাই অসি ঙসি ফাওবা কবুই ফুরুপ্না লিক্লম কায়দনা ইপা-ইপুগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি। অতোপ্পা কম্যুনিটিশিংনা কবুই ফুরুপকী গাং ঙাই অসি মাংথোকপীদুনা মতৌ তম্বগা লোয়ননা মপু শাবসু কবুই ফুরুপ্না য়াবা ঙল্লোই। মরম অদুনা কবুই ফুরুপকী অশেংবা গাং ঙাইগী মণিপুর লৈঙাক্লা পীবা শেন্থং কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরনা গাং ঙাই শিল্লিবা কবুই ফুরুপ্তা পীগদবনি হায়না মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। হায়রিবা ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবীদুনা থবক পাঙথোক্লবা খঙহল্লক্লি।

কুকিশিং এস টি লিষ্টতগী লৌথোক্লবা ৱাকৎ অমখক ওইবা মীৎয়েংদা থমসি ঃ ফেদরেসন ওফ হাওমি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস) : মতম শাংনদগী কুকিবু এস টি লিষ্টতা য়াওহনবসি অচুম্বা নত্তে হায়বা খঙনদুনা লাকই। তৌইগুম্বসুং ইসু অসি মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নবা চংই। কুকিবু মণিপুরগী সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতগী লৌথোক্লবা ৱাকৎ অমখক ওইবা মীৎয়েং থমসি হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জদুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, সেদ্যুল ত্রাইবকী হক অসি লমদম অদুগী য়েলহৌমী/ইন্দিজিনস/এবওরিজিনস খক্তদা পীগদবনি। অদুবু কুকিশিং অসিদি ১৮শুবা চহীচাদা অতোপ্পা লৈপাক্তগী মণিপুরদা চংশিল্লকপা ওইবনা মখোয়দি লমদম অসিগী ওরিজিনেল য়েলহৌমী হাও নৎত্রে। মসিমক্তনি কুকিনা ফংফম থোক্তবা এস টি অসি মখোয়দা পীফম থোক্তে হায়দুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিন্দুনা লাক্লিবসি।

দিমান্দ অসিগা লোয়ননা ঐখোয় পুন্না কুকি হায়রিবা গ্রুপ অসি কনানা কনানো হায়বা খঙমিন্নবা মথৌ তাই। কুকি ত্রাইব মখৈবু নাথৈরগা এনি কুকি/এনি মিজো হায়বা ৱাহৈ অনীসিদা ফুরুপ মশক তাক্তনা এস টি লিষ্টতগী ৱাহৈ অনীখক অসি লৌথোক্লবগী ৱাফমদা লৈঙাক্লসু থবক পায়খৎফম থোকই।

য়েলহৌমী হায়বদি লমদম অদুগী হৌরকমী লাকফম হনফম চৎফম লৈতবা, মশাগী সেল্ফ আইদেন্টিটিগা লোয়ননা সোসিয়েল পোলিটিকেল ইকোনোমি এন্দ ত্রেদিসনেল ইন্সটিট্যুসন লৈদুনা লাক্লবা, ইনভেসন এন্দ কোলোনাইজেসনগী মমাংদা লৈরক্লবা ফুরুপ কাংলুপ অদুবুনি। দ কন্সটিট্যুসন (সেদ্যুল ত্রাইব, পার্ট সি ষ্টেটস) ওর্দর ১৯৫১, (কন্সটিট্যুসন ওর্দর ৩৩) ২০.৯। ১৯৫১ গী মণিপুর ষ্টেট লিষ্টতা নন-ইন্দিজিনসপু কমদৌনা অধিবাসি হায়বদি ত্রাইবনি লৌরিবনো? মতম শাংনা অশোয়বসি শেমদোক্তনা নাথৈবা হায়বসি মরম চাদে। মরম অদুনা মণিপুরদা কনফ্লিক্ট এন্দ চাওস মখা তানা থোক্তনবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা য়েংশিনবীদুনা কুকিশিংবু এস টি লিষ্টতগী ককথৎফম থোকই।

কুকি ত্রাইবকী গ্রুপ অসিদা কনা কনাবু কুকিনো হায়বসি কুকি ওর্গনাইজেসনশিংনা মশাগী ফুরুপকী অয়াবা য়াওরগা অথুবদা ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই। ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মোদিফিকেসন ওর্দর নম্বর এসআরও১৪৭৭ কুমজা ১৯৫৬ কী ওক্তোবর ২৯ দা নন-ইন্দিজিনসনা এস টি লিষ্টতা য়াওশিল্লম্লিবসি গাংতে, মার, পাইটে, রালতে, সিমতে, সুহতে, থাদৌ, ভাইফে, জৌ, এনি মিজো (লুসাই) ত্রাইবনি। অদুগা সেদ্যুল কাষ্ট এন্দ ত্রাইব ওর্দর এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০২২ ভাইদ নং ১০ ওফ ২০০৩ গী জন্যুৱারী ৭ তা এনি কুকি হায়বসি ইন্ত্রি নম্বর ৩৩ দা য়াওরি। মাতে ত্রাইব হায়রিবা অসিনা কন্সটিট্যুসন ওর্দর এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১১, নং ২, ২০১২ তা য়াওশিল্লকপনি। চিন কুকি জো হায়বসি মণিপুরদা শৈদাংলবা ওইবনা মণিপুরগী কন্টেক্সতা এবওরিজিনেল ত্রাইবকী মনুং চন্দে হায়বা ময়েক শেংনা খঙমিন্নবা চুম্মগনি হায়রি।

হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস) : রিমসকী হান্নগী মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইবীরম্বা ডো. এস ভগ্যাবতিগী মীৎয়েং মখাদা লৈমা চনু নৱা তাইবং লুপকা খুৎশম্নদুনা কোদোম্পোকপী, লাইরেঞ্জম সেক্টর আই সি দি এস প্রোজেক্ট ৱাঙ্গোইগী অঙ্গনৱাদি, হেল্পরশিংগা পুন্না নোংমগী ওইবা মেগা ফ্রী হেল্থ কেম্প অমা মেকোলাদা লৈবা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা রিমসকী সেনিয়র রেসিদেন্ট দিপার্টমেন্ট ওফ গাইনেকোলোজিগী ডো. নাওরেম বন্দনাসু শরুক য়াখি। রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওই কয়ানা মশাগী অনাবশিং য়েংথোকখি।

৯০শুবা নীংশিং কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী নিংথৌ ওইরম্বা মহারাজ কুল্লচন্দ্রনা লৈখিদবগী ৯০শুবা নীংশিং কুমওন কৈশাম্পাৎতা লৈবা ইপসাগী ওফিসতা জষ্টিস কন্মিটি ওন এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১ মার্টিয়র্স এন্দ ফ্রিদম ফাইটর ওফ কংলৈপাক (মণিপুর) অমসুং নিংথেমচা নিংশিং লূপ অনীনা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী কনভিনর তৌরাংবম বিরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মহারাজ কুল্লচন্দ্র কুমজা ১৮৯১ দা থোকখিবা এঙ্গলো মণিপুরী লাঞ্জাও অদুগী লুচিং পুরেল ওইখিবা অথৌবা মীশক অমনি। অথৌবা অসিনা লান অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ইমা লৈবাক মণিপুর কন্নবা হোৎনরমখি। বৃটিশ লৈঙাক্লা ইন্দিয়া পুম্বগী শরুক অহুম খুদুম চন্দুনা অসাম ফাওবা মখোয়না লোয় চল্লবা মতমদুদা মশোং ফল্লবা বর্ম্মা লৈবাকপু বৃটিশনা মায়োক্লবদা ৱাগদবা মরম্না মণিপুরবু শম্বল ওইনা খাদুনা থমখি। কোন্নথংদা বৃটিশনা বর্ম্মা খুদুম চনখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া অমসুং বর্ম্মা অনীগী মরক্তা মণিপুরনা শম্বল ওইবা অদু পাল্লকখিদে।

মখোয়গী লল্লোন ইতিক অমসুং অরোন অথুপতা খুদোং চানবগীদমক মণিপুরবু মখোয়গী খুবাম্লুংদা থম্নবগীদমক লৈঙাকলোনদা খুৎ থীংজিল্লক্তুনা মণিপুরবু খুদুম চনখি। বৃটিশকী অরানবা মীনম্বা ৱায়েলদা মীওই কয়া হাৎখিবদা নত্তনা লোই থাখি। লোই থাখিবশিং অদুগী মরক্তা ইনিংথৌ মহারাজ কুল্লচন্দ্রসু য়াওখি।

ইরাৎ থৌনি, লৈবাক খুন্নাইগী খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস) : লাইনিংথৌ সনামহি পাখঙবা লাইনিং লূপ কোদোম্পোকপী মমাংনা চহী খুদিংগী ৱাকচিং থানিল নুমিৎতা পাঙথোকপা ইরাৎ থৌনি, হৈকৎ লৈকৎ তম্বা, লৈবাক খুনাইগী খন্ন-নৈনবা মীফম থা অসিগী ২৫ শগোলশেল নুমিৎতা লূপ অসিগী থৌমী কয়ানা শরুক য়াদুনা কোদোম্পোকপী মমাং ময়ায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীতৈ ইনাৎপু হিংগৎনবা অমদি চাওখৎনবা ইচং থৌনা হোৎনবীরম্বা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিং অমদি হৌজিক লমদম অসিদা থোক্লিবা ইরাৎ অসিদা ইজাতি ইফুরুপ অসিবু কন্নবগীদমক্তা থৰায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি।

মখা তানা থৌরম অসিগী মনুং চন্না ইরৈচাশিংনা লৈবাক্কীদমক লৌফম থোকপা থৌদাং হায়বা হিরমদা তিনখিবা মীয়াম অদুনা খন্ন-নৈনখি। লূপ অসিনা লৈবাক্কী থৌদাং পাংলিবা অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ৩৮ দসু লুপা লিশীং ১০ মতেং পাংখি।

ঐখোয়গী ইনাৎ লাইনিংনা খুন্নাই অমদি লৈবাক্কী মালেম পুম্বগী ওইনসু চাওখৎপা তংদু লৈতানা নুংঙাই য়াইফনা পানবা ঙম্নবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা মথৌ তাই। মসি খঙনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ইরৈচা খুদিংনা পূক্নিং ৱাখল অনী লোংদনা অমত্তা ওইনা চৎন-পথাপ, কাংলোন ইন্দুনা ইশা ইশাগী ইথৌদাং পাংমিন্নরবা মতমদা ঐখোয়গী য়েক্লবা মায়থিবা পীবা ঙমগনি। মসিদা নত্তনা ইফুরুপ অসিগী খুদোংচাদবা পুম্বা মায়থিবা পীদুনা ঈং-তপ্পা নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়বা খুন্নাই অমদি মালেম অমা পুরকপা ঙমগনি। মসিনা ঐখোয় পুম্নমক্কী অচুম্বা লম্বীনি। অচুম্বতনা মায় পাক্কনি অরানবদি নোংমা নত্রগা নোংমদি অচুম্বগী খোঙদা তুরখিগনি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙনা থবক তৌবা তঙাই ফদে।

ঐখোয় পুম্নমক্না তুংগী মীরোলগীদমক খন্দুনা অচুম্বা লম্বীদা চৎতুনা য়েক্লবশিং মায়থিবা পীননবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাফম কয়া অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লখি।

ꯏꯔꯥꯠ ꯊꯧꯅꯤ, ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯒꯤ ꯈꯟꯅ-ꯅꯩꯅꯕ ꯃꯤꯐꯝ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯸ (ꯑꯩꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯊꯧ ꯁꯅꯥꯃꯍꯤ ꯄꯥꯈꯪꯕ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯂꯨꯞ ꯀꯣꯗꯣꯝꯄꯣꯛꯄꯤ ꯃꯃꯥꯡꯅ ꯆꯍꯤ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯋꯥꯛꯆꯤꯡ ꯊꯥꯅꯤꯜ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯏꯔꯥꯠ ꯊꯧꯅꯤ, ꯍꯩꯀꯠ ꯂꯩꯀꯠ ꯇꯝꯕ, ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏꯒꯤ ꯈꯟꯅ-ꯅꯩꯅꯕ ꯃꯤꯐꯝ ꯊꯥ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯲꯵ ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯜ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇ ꯂꯨꯞ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯊꯧꯃꯤ ꯀꯌꯥꯅ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯗꯨꯅ ꯀꯣꯗꯣꯝꯄꯣꯛꯄꯤ ꯃꯃꯥꯡ ꯃꯌꯥꯏ ꯀꯝꯌꯨꯅꯤꯇꯤ ꯍꯣꯜꯗ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯅ ꯂꯨꯞ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯁꯦꯛꯔꯦꯇꯔꯤꯅ ꯊꯥꯗꯣꯛꯄ ꯆꯦꯔꯣꯜ ꯑꯃꯅ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯤ꯫

ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯈꯤꯕ ꯊꯧꯔꯝ ꯑꯗꯨꯗ ꯃꯤꯇꯩ ꯏꯅꯥꯠꯄꯨ ꯍꯤꯡꯒꯠꯅꯕ ꯑꯃꯗꯤ ꯆꯥꯎꯈꯠꯅꯕ ꯏꯆꯪ ꯊꯧꯅ ꯍꯣꯠꯅꯕꯤꯔꯝꯕ ꯂꯥꯏꯑꯣꯏꯈ꯭ꯔꯕ ꯑꯍꯜ-ꯂꯃꯅꯁꯤꯡ ꯑꯃꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯃꯗꯝ ꯑꯁꯤꯗ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕ ꯏꯔꯥꯠ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯖꯥꯇꯤ ꯏꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯀꯟꯅꯕꯒꯤꯗꯃꯛꯇ ꯊꯋꯥꯌꯅ ꯄꯣꯟꯊꯥ ꯄꯤꯈ꯭ꯔꯕ ꯑꯊꯧꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯐꯃꯗ ꯏꯀꯥꯌꯈꯨꯝꯅꯕ ꯎꯠꯇꯨꯅ ꯍꯩꯀꯠ-ꯂꯩꯀꯠ ꯇꯃꯈꯤ꯫

ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅ ꯊꯧꯔꯝ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡ ꯆꯟꯅ ꯏꯔꯩꯆꯥꯁꯤꯡꯅ ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤꯗꯃꯛ ꯂꯧꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ ꯊꯧꯗꯥꯡ ꯍꯥꯌꯕ ꯍꯤꯔꯃꯗ ꯇꯤꯟꯈꯤꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯑꯗꯨꯅ ꯈꯟꯅ-ꯅꯩꯅꯈꯤ꯫ ꯂꯨꯞ ꯑꯁꯤꯅ ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ ꯄꯥꯡꯂꯤꯕ ꯑꯔꯥꯝꯕꯥꯏ ꯇꯦꯡꯒꯣꯜ ꯌꯨꯅꯤꯠ ꯳꯸ ꯗꯁꯨ ꯂꯨꯄꯥ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯱꯰ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯈꯤ꯫

ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯏꯅꯥꯠ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡꯅ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏ ꯑꯃꯗꯤ ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯄꯨꯝꯕꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅꯁꯨ ꯆꯥꯎꯈꯠꯄ ꯇꯪꯗꯨ ꯂꯩꯇꯅ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏ ꯌꯥꯏꯐꯅ ꯄꯥꯅꯕ ꯉꯝꯅꯕ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯑꯃꯠꯇ ꯑꯣꯏꯅ ꯄꯨꯟꯁꯤꯟꯅꯕ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯏ꯫ ꯃꯁꯤ ꯈꯪꯅ ꯂꯃꯗꯝ ꯑꯁꯤꯗ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯤꯕ ꯏꯔꯩꯆꯥ ꯈꯨꯗꯤꯡꯅ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯋꯥꯈꯜ ꯑꯅꯤ ꯂꯣꯡꯗꯅ ꯑꯃꯠꯇ ꯑꯣꯏꯅ ꯆꯠꯅ-ꯄꯊꯥꯞ, ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ ꯏꯟꯗꯨꯅ ꯏꯁꯥ ꯏꯁꯥꯒꯤ ꯏꯊꯧꯗꯥꯡ ꯄꯥꯡꯃꯤꯟꯅꯔꯕ ꯃꯇꯃꯗ ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯤ ꯌꯦꯛꯂꯕ ꯃꯥꯌꯊꯤꯕ ꯄꯤꯕ ꯉꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯗ ꯅꯠꯇꯅ ꯏꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯗꯕ ꯄꯨꯝꯕ ꯃꯥꯌꯊꯤꯕ ꯄꯤꯗꯨꯅ ꯏꯡ-ꯇꯞꯄ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏ ꯌꯥꯏꯕꯤ ꯃꯔꯥꯡ ꯀꯥꯌꯕ ꯈꯨꯟꯅꯥꯏ ꯑꯃꯗꯤ ꯃꯥꯂꯦꯝ ꯑꯃ ꯄꯨꯔꯛꯄ ꯉꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯂꯝꯕꯤꯅꯤ꯫ ꯑꯆꯨꯝꯕꯇꯅ ꯃꯥꯌ ꯄꯥꯛꯀꯅꯤ ꯑꯔꯥꯅꯕꯗꯤ ꯅꯣꯡꯃꯥ ꯅꯠꯔꯒ ꯅꯣꯡꯃꯗꯤ ꯑꯆꯨꯝꯕꯒꯤ ꯈꯣꯉꯗ ꯇꯨꯔꯈꯤꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯅ ꯈꯪꯅ ꯊꯕꯛ ꯇꯧꯕ ꯇꯉꯥꯏ ꯐꯗꯦ꯫

ꯑꯩꯈꯣꯌ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯅ ꯇꯨꯡꯒꯤ ꯃꯤꯔꯣꯂꯒꯤꯗꯃꯛ ꯈꯟꯗꯨꯅ ꯑꯆꯨꯝꯕ ꯂꯝꯕꯤꯗ ꯆꯠꯇꯨꯅ ꯌꯦꯛꯂꯕꯁꯤꯡ ꯃꯥꯌꯊꯤꯕ ꯄꯤꯅꯅꯕ ꯍꯣꯠꯅꯃꯤꯟꯅꯁꯤ ꯍꯥꯌꯕ ꯋꯥꯐꯝ ꯀꯌꯥ ꯑꯈꯪ-ꯑꯍꯩꯁꯤꯡꯅ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯛꯈꯤ꯫

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস) : নোংপোক মাইকৈ ঙাক্লবগীদমক য়ুনিভর্সিয়েল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসননা স্পোন্সর তৌরগা ইথম মোইরাং পুরেলদা হাংদুনা লৈরিবা নোংপোক পানা তেঙ্গোল লাকপা লোয়শঙদা অংথা অপুনবা মৈরা পায়বী গ্রুপনা চান-থক্লবা চেং-হৱাই, মনা-মশিং অমদি পোৎলম কয়া মতেং পাংবীরম্বদা নত্তনা মীতৈ লালোই মরুপশিংদা পূক্নিং থৌগৎপীরম্ববু ওর্গনাইজেসনগী মাইকৈদগী থাগৎচবা ফোঙদোকচরি হায়না টি ৱাংলেন মৈতৈনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসননা মতম লৈবা খিবিক্তা ইমা লৈবাক্কীদমক থৌনা লৈনা লান্থেংনখিগনি অমদি ইরৈচাশিংগীদমক হিংখিগনি হায়রি।

ꯃꯤꯂꯦꯅꯤꯌꯝ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ
MILLENNIUM SCHOOL
SAGOLBAND SALAM LEIKAI/ PATSOI PART-IV, IMPHAL WEST
(A Co-Educational Junior Section of Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi, Imphal West)
ADMISSIONS OPEN FOR THE SESSION 2024-25
FOR BOTH CAMPUSES
PRE-NURSERY TO STD-X
"DISCOUNT IN ADMISSION FEES FOR SIBLINGS"
- Day Boarding Facilities.
- Play-way Montessori method of teaching system with latest technologies.
- Craft work, games, co-curricular activities, Yoga, Self-Defense classes.
- Activity based toys and equipments made of non-hazardous elements.
- Special phonetics and vocabulary class.
- Mode of communication in English only.
- Full time nurse, visiting doctor available.
- Eco club (Go Green)
- Art and talent day
- Hobby Classes
- Remedial Classes
- E-learning, Outing Class & etc.
SPECIAL ATTRACTIONS
"A Paradise for Children"
HOSTEL FACILITIES AVAILABLE FROM CLASS – IV ONWARDS
For detail information: Visit School Office from 9.30 a.m to 2.00 p.m on all working days.
Contact No. : 9383066542 (PATSOI) /8787692276 (SAGOLBAND)
HL-P/9295/17 to 31 & 1 Feb

ꯊꯕꯛꯊꯤꯕ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

1. Delhi Home Guard Recruitment 2024: Online Apply 10285 Vacancies, Notification Pdf

Delhi Home Guard Recruitment 2024 Notification PDF and Online Form Released on January 24, 2024 - Detailed Information Available on the Page. Government of NCT of Delhi, Directorate General of Home Guards, New Delhi has published enrollment notification of Home Guards 2024, only online application on dghgenrollment.in. Online Applications are invited for enrollment of 10285 Home Guards Volunteers for a term of 03 years which may be extended by 02 years with 15%, 7.5% and 27% reservation for SC, ST and OBC candidates respectively. The Delhi Home Guard Bharti 2024 online registration process start from 24th January 2024 and scheduled to be close on **13th February 2024**.

Eligible candidates would be required to apply online only through DGHG Official website (**dghgenrollment.in**) from 24th January 2024. The online application is in Two Steps

……………………………………

2. BDL Recruitment 2024, Apply Online, Notification (361 Engineer, Diploma, ITI Vacancies)

BDL Walk in Interview Notification for 361 Project Engineer, Project Diploma Assistant anf Project Trade Assistant Posts for a period of 04 years. The BDL Online Registration start from 24th January 2024 to 14th February 2024. Bharat Dynamics Limited (BDL) invites online applications from eligible Indian Nationals for Walk in Interview for the following Project Engineer, Project Officer, Project Diploma Assistant and Project Trade Assistant positions for BDL Units/ Office/ Projects i.e, Corporate Office (Gachibowli)/ Kanchanbagh Unit / Ibrahimpatnam Unit – Hyderabad, T.S./ Bhanur Unit- Sangareddy, T.S. / Visakhapatnam – Bengaluru (Karnataka).

- Eligible candidates should be submitted strictly Online through BDL online portal (**onlinereg.co.in/senareg24/**).
- The last date for registration of online applications is **14/02/2024 up to 5:00 PM**.
- For any clarification email to **bdl-recruitment@bdl-india.in.**

……………………………………

3. SSB Odisha Teacher Recruitment 2024: Notification, 2064 Vacancies, Online Form

SSB Odisha has published Notification Advertisement No. 01/2024 for the selection of 2064 Teacher Vacancies. The State Selection Board (SSB), Higher Education Department, Government of Odisha, Bhubaneswar - 751009, invites applications for the recruitment to the posts of Trained Graduate Teachers (TGT), Hindi Teacher, Classical Teacher, Urdu Teacher, and P.E.T in Non-Government fully-aided High Schools of Odisha receiving Grant in Aid from the School and Mass Education Department. The last date for the registration of online applications is 7th February 2024.

Eligible candidates are required to apply online through the SSB Odisha Online Application Portal (**apps.ssbodisha.ac.in/pgt2024/**). During the application process, candidates must provide basic details, including their name, Aadhar Card number, gender, email address, and mobile number.

The last date for registration of online applications is **07/02/2024** up to 11:45 PM IST. For any inquiries related to this recruitment, please contact the email address ssbodishahelpdesk@gmail.com.

……………………………………

4. DSSSB Recruitment 2024: Apply Online for 5037 Teaching, Non-Teaching Vacancies

DSSSB Recruitment 2024 Free Job Alert Notifications and Online Applications for Various Engineering, Officer, Manager, Assistant, Teaching, and Other Posts: IndGovtJobs.in updates all the latest DSSSB advertisements and upcoming vacancy notifications on this page. The Delhi Subordinate Services Selection Board (DSSSB) operates under the Government of NCT of Delhi. The DSSSB conducts various levels of recruitment examinations and interviews for the selection of candidates for different posts to be filled in various state government departments in Delhi.

* Eligible candidates may apply online through the Delhi DSSSB Online Application Portal (**dsssbonline.nic.in**) starting from January 9th, 2024.

* The closing date for the submission of online applications is **February 7, 2024, at 11:59 pm**

……………………………………

5. DEE Assam Teacher Recruitment 2024, Apply Online, 5550 Vacancies, rectteduassam.in

DEE Assam Teacher Recruitment 2024: 5550 LP UP Regular Vacancies - Notification Pdf, Apply Online Link available in this Page: Government of Assam, Office of the Directorate of Elementary Education (DEE), Assam invites online applications from the Citizens of India as defined in Article 5 to 8 of the Constitution of India and qualified in Assam TET conducted by Elementary Education Department, Assam, for filling up of 3800 vacancies of Assistant Teacher of LP Schools and 1750 of Assistant Teacher, Science Teacher and Hindi Teacher of UP Schools under the Directorate of Elementary Education, Assam of UP Schools under the Directorate of Elementary Education, Assam.

Eligible candidates should apply online for Assam Regular Teacher Vacancy 2024 through official website **dee.assam.gov.in** or **rectteduassam.in** from 2nd January 2024. The last date for registration of online applications is **2nd February 2024.**

CROSSWORD-4036



ACROSS

1. Book published every year(6)
4. Feudal retainer(6)
8. Zest, relish(5)
9. Mexican liquor(7)
10. English cheese(7)
11. Fatuous(5)
12. Make a lot of trouble(5,4)
17. Sum up(5)
19. Russian tea-urn(7)
21. Unfavourable(7)
22. Scandinavian(5)
23. Scarcely(6)
24. Charming to look at(6)

DOWN

1. Summer month(6)
2. More unpleasant(7)
3. On high(5)
5. Procure(7)
6. Major Hindu deity(5)
7. Made of money(6)
9. Southern US state(9)
13. Endanger(7)
14. Young hare(7)
15. Bather (anag.)(6)
16. Avaricious(6)
18. Lid(5)
20. Person under age(5)

Solution of 4097

M	A	K	E		M	A	R	A	T	H	O	N
I		H		K		P		R		E		O
D	R	A	C	U	L	A		R	O	A	S	T
N		K		N		C		O		D		E
I	C	I	N	G		H	A	W	A	I	I	
G				F		E				N		H
H	I	G	H	U	P		P	R	A	G	U	E
T		R				D		A				D
	R	A	S	H	E	R		T	W	A	N	G
C		M		U		A		T		P		E
H	Y	M	N	S		G	O	L	I	A	T	H
I		A		S		O		E		R		O
C	A	R	R	Y	I	N	G		S	T	A	G

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5396

		6	1			7	5	
					2			6
9			5	8				3
						6		
	6		9		3		8	
		8						
2				3	7			5
4			6					
	3	1			5	2		

Solution of 5395

6	3	1	2	5	9	7	8	4
4	5	2	7	3	8	9	6	1
8	7	9	6	4	1	5	3	2
5	8	3	1	7	4	2	9	6
9	4	7	8	2	6	1	5	3
1	2	6	5	9	3	4	7	8
3	1	5	4	6	7	8	2	9
2	9	8	3	1	5	6	4	7
7	6	4	9	8	2	3	1	5

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

ꯋꯥꯔꯤ ꯃꯃꯤꯡ:
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯀꯥꯞꯄ
ৱারী মমিং :
নুমিৎ কাপ্পা
পুয়া ৱারী লীবশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা
য়েকথোকপা :
সেমসন সলাম


শোমদনা নুংজেং পিবা ফিভম য়াম্না শোকচিল্লক্লম্মী।
ꯁꯣꯝꯗꯅ ꯅꯨꯡꯖꯦꯡ ꯄꯤꯕ ꯐꯤꯚꯝ ꯌꯥꯝꯅ ꯁꯣꯛꯆꯤꯜꯂꯛꯂꯝꯃꯤ꯫
মীয়ামগা তিন্নবসু থিংখরে, ঐবু করন্না উপাই তৌসিগে, ইচাশিংসু নোংমতা মপুক থন্না পিজবসু ঙমদে।
ꯃꯤꯌꯥꯝꯒ ꯇꯤꯟꯅꯕꯁꯨ ꯊꯤꯡꯈꯔꯦ, ꯑꯩꯕꯨ ꯀꯔꯝꯅ ꯎꯄꯥꯏ ꯇꯧꯁꯤꯒꯦ, ꯏꯆꯥꯁꯤꯡꯁꯨ ꯅꯣꯡꯃꯇ ꯃꯄꯨꯛ ꯊꯟꯅ ꯄꯤꯖꯕꯁꯨ ꯉꯃꯗꯦ꯫
মচাশিংদুদি করিস্তা নাচুংদনা নুঙাইনা শান্নরম্মী।
ꯃꯆꯥꯁꯤꯡꯗꯨꯗꯤ ꯀꯔꯤꯁ꯭ꯇ ꯅꯥꯆꯨꯡꯗꯅ ꯅꯨꯉꯥꯏꯅ ꯁꯥꯟꯅꯔꯝꯃꯤ꯫